# অহানবা মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেস্নেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী২৭(ঐচএনএস): মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা অহানবা মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেস্নেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০ (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) লো এন্দ লেজিসলেটিব এফেয়র্স মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি ক্লব/ওর্গনাইজেসন/একাদমি ১৫৪দগী শান্নরোয় ২৭০না শরুক য়ারি। সব জুনিয়ন বোইজ (২০০৮) গীদাশান্নরোয়২১, সবজুনিয়রবোইজ (২০০৬-২০০৭)গীদা শান্নরোয় ৬২, জুনিয়র বোইজ (২০০৪-২০০৫)তা শান্নরোয় ৫৪, সব জুনিয়ন গর্লস (২০০৮)তা শান্নরোয় ৪, সব জুনিয়র গর্লস (২০০৬-২০০৭)দা শান্নরোয় ৩২, জুনিয়র গলর্স(২০০৪-২০০৫)তাশান্নরোয় ১৩, মেন্সযুথএন্দইলাইট(১৯৮০-২০০৩)দা শান্নরোয় ৬০, ৱিমেন্স যুথ এন্দ ইলাইট (১৯৮০-২০০৩) দা শান্নরোয় ২৪না শরুক য়ারি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা যুথ এন্দ ইলাইট (মেন্স)তা হৈক্রুজম ভিমিজিৎ (৫২ কেজি); বিজয় অমদি কিসন (৫৬ কেজি); মালেমঙানবা, নোংদমখোম্বা, লানতিনথাং কিপগেন অমদি রোবিন্সন (৬০ কে জি); সাইখোম রিবালদো (৬৪ কে জি) মখোয় মখোয়গী বাউটশিং থোইখি।

সব জুনিয়র গলর্স (২০০৬-২০০৭)গী কাংলুপ্তা ফোনিয়া দেবী অমদি দিকিলা লেপচা (কেজি ৪০), এলাংবম থোইচা, এল বাইতে, তাওরেম রিনা (কে জি ৪৬), এন জি দোল্লি, তেলেন চোংনৈরিং কোম, অঞ্জিলি, এম সাগর (কে জি ৪৯) মায় পাকখ্রে।

জুনিয়র বোইজতা মালেমঙানবা, নিলাকান্ত, পুসম য়াসিন (কেজি ৪৮) মায় পাকখি। সব জুনিয়র বোইজ (২০০৬-২০০৭)দা দিলিপকুমার, লৈভোন বিলাট কোম (কে জি ৪৯) থোইখি।

চেম্পিয়নশিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট তেজ কুমার, ৬-পোটশঙবমগী জিলা পরিষদ এল বোবি দেবীনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

৩৬শুবা ষ্টেট মেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০

# নাগামপাল পোলো, কংলৈপাক পোলো মায়পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী২৭(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এ এম পি এ)না শীন্দুনা টিম ২৬না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা '৩৬শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০' ঙসি হৌদোকখ্রে। লোয়ননা অহৌবা নুমিৎতা নাগামপাল য়ুথ পোলো ক্লবনা ই এস সি (বি)বু পাঞ্জল ৫-৩দা, কাংলৈপাক পোলো ষ্টারনা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (বি)বু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা নাগাপাল পোলো ক্লব অমদি ই এস য়ু (বি) লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা চরকদা নাগামপাল পোলো ক্লবকী মায়কৈদগী মোচা জর্সি নম্বর ৪, বিশ্বজিৎ, জর্সিনম্বর ২না পাঞ্জল অনী চনখি। চক্র অসিদা ই এস সি (বি)গী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা চক্রদা নাগামপাল য়ুথ পোলো ক্লবগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। চরক অসিদা ই এস সি (বি)গী মায়কৈদগী ঐচ সঞ্জয় জর্সিনম্বর ১, নাওবা জর্সিনম্বর ২না পাঞ্জল অমমম চনখি।

অহুমশুবা চক্রদা নাগামপাল য়ুথ পোলোগী মায়কৈদগী বিশ্বজিৎ জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল অনী চনখি। ই এস সি (বি) গী মায়কৈদগী নাওবা জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

মরীশুবা অমদি অরোইবা চক্রদা নাগামপাল য়ুথ পোলো ক্লবকী মায়কৈদগী বিশ্বজিৎনা পাঞ্জল অমা ই এস য়ুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেচ অসি নাগামপাল য়ুথ পোলো ক্লবনা ই এস সি (বি)বু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা কংলৈপাক পোলো ষ্টার অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (বি) লম্বা তৌনখি। মেচ অসি কাংলৈপাক পোলো ষ্টারনা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (বি)বু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখি।

কাংলৈবাক পোলো ষ্টারগী পাঞ্জলশিং অদু মৈরাবা জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অনী, গীতচন্দ্র অমদি মৈরাবানা পাঞ্জল অমমম চনখি। চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (বি)গী মায়কৈদগী প্রিতম জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল অনী অদুগা রঞ্জন জর্সি নম্বর ১না পাঞ্জল অমা চনখি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা রিটয়র লেফটন্টে জেনরেল ডা. কোন্সম হিমালয়া সিংহ, এ এম পি এগী প্রসিদেন্ট ডা. কে সরতচন্দ্র সিংহনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

অহানবা মোইরাংথেম জোধিসচন্দ্র মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# সনরাইজ ক্লব কদমতলানা সিঙ্গরবোন্দ এফ এবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা মপূ ওইখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী২৭(ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্ট স এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা জন্যুৱারী ৩দগী টিম ১৬না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌখিবা ফষ্ট মোইরাংথেম জোধিসচন্দ্র মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা সনরাইজ ক্লব কদমতলানা সিঙ্গরবোন্দ এফ এবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা মপূ ওইখ্রে।

সনরাইজ ক্লব, কদমতলানা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা সিঙ্গরবোন্দ এফ এ টিমনা বোল কাওবা হৌখি। ঙসিগী ফাইনেল মেচ অসিদা কে ঐচ জানকি, অধক্ষ জিরিবাম জিলা পরিষদনা চীফ গেষ্ট, এম ব্রজকান্ত প্রসিদেন্ট এ জে এস এনা ফঙ্কসনেল প্রসিদেন্ট অমদি এম মুবি, এম পি এস, এস পি জিরিবাম, দোনর ঐচ বাসুলাল, এম পি এস এদিসনেল এস পি, এস কে নন্দ, দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট, ৮৭ বি এন সী আর পি এফ থাংবোই, দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট, ৭শুবা আই আর বি, ঈওকেন্দ্রো, সী এম ও জিরিবাম আর কেনোবিন, প্রধাননচিংবনা গেষ্ট ওফ ওনর লইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সনরাইজ ক্লব কদমতলাদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩০ অমদি রন্নিং ট্রোফি অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা সিঙ্গরবোন্দ এফ এ টিমদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২০ অমদি রন্নিং ট্রোফি লোয়ননা বেষ্ট প্লেয়রশিংদা কেশ প্রাইজ অমদি ট্রোফিনচিংবা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরস অমদি দোনরনা খূৎশিন্নখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা টিম অনীমক য়াম্না ফজনা শান্নখি। অদুবু সনরাইজ ক্লব কদমতলাগী লালচনুনমোয়া দোলিয়ননা মেচকী ৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা একাউন্ট হাংদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফতা সনরাইজ ক্লবকী শান্নরোয় মনিস্নানা ৬০শুবা অমদি ৬৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী হাপচিল্লবা মতুং লালচনুনমোয়া দোলিয়ননা মেচকী ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৪শুখি। মতুংদা সিঙ্গরবোন্দ এফ এগী শান্নরোয় বিজয় রোংমৈনা পাঞ্জল অমা চল্লবসু অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদবদগী মেচ অদু সনরাইজ ক্লবনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাক্কুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

## মণিপুর জীট কুনে দো শান্নরোয় ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী২৭ (ঐচএনএস): চান্দিগরগী মোহালি ইন্দোর হোলদা থা অসিগী ৩১দগী ফেব্রুৱারী ২ ফাওবা পাঙথোক্কদবা সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র, মেন এন্দ ৱিমেন ফেদরেসন কপ জীট কুনে দো চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়ারুনবা মণিপুর জীট কুনে দো শান্নরোয়, কোচ, টেক্নিকেল ওফিসলশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি বুবুস্না, নোংদম্বা, দয়াবান, কে লনচেনবা, য়োহেনবা, রোবার্ট, এন লনচেনবা, অবিৎ, রোবাশ, জেকসন, নেলসন, নিংথেম, দিনেশ, দাইনা, নিংঙোল্লৈমা, সনিয়া, চনচন, লিম্থোই, চনচনা, অবেথোই, প্রিয়া, গীতাঞ্জলি, ষ্টেলিন, হ্বাইট, ভিক্টর, জয়কুমার, রাজু, কুমারসানু, চীংখৈঙানবা, সায়ানি। ওফিসলদা টিম কোচ এল রাজেন, টেক্নিকেল ওফিসলদা ডা. এম ইমোচা জজ আই জে কে দি এফনি।

| 13th MANIPUR STATE LEAGUE 2019-20 FIXTURE | | | |
|---|---|---|---|
| Date | Time | M No. | Teams |
| 07-02-2020 | 01:45 p.m. | 1 | YUFC Vs SU |
| 09-02-2020 | 12:15 p.m. | 2 | KLASA Vs NISA |
| | 02:15 p.m. | 3 | DMRAO Vs TRAU FC |
| 10-02-2020 | 12:15 p.m. | 4 | UKB Vs MUVANLAI |
| | 02:15 p.m. | 5 | NEROCA FC Vs GSC |
| 11-02-2020 | 12:15 p.m. | 6 | AIM Vs NACO |
| | 02:15 p.m. | 7 | SSU Vs AFC |
| 12-02-2020 | 12:15 p.m. | 8 | KLASA Vs YPHU |
| | 02:15 p.m. | 9 | DMRAO Vs SU |
| 13-02-2020 | 12:15 p.m. | 10 | UKB Vs NISA |
| | 02:15 p.m. | 11 | NEROCA FC Vs TRAU FC |
| 14-02-2020 | 12:15 p.m. | 12 | AIM Vs MUVANLAI |
| | 02:15 p.m. | 13 | SSU Vs GSC |
| 15-02-2020 | 12:15 p.m. | 14 | AFC Vs NACO |
| | 02:15 p.m. | 15 | DMRAO Vs YUFC |
| 16-02-2020 | 12:15 p.m. | 16 | UKB Vs YPHU |
| | 02:15 p.m. | 17 | NEROCA FC Vs SU |
| 17-02-2020 | 12:15 p.m. | 18 | AIM Vs NISA |
| | 02:15 p.m. | 19 | SSU Vs TRAU FC |
| 18-02-2020 | 12:15 p.m. | 20 | AFC Vs MUVANLAI |
| | 02:15 p.m. | 21 | NACA Vs GSC |

## অহানবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট সানসৌ চেম্পিয়নশিপ ২০২০ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী২৭ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ৱুশু ট্রেনিং স্কুল নিংথৌখোংনা শীন্দুনা অহানবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট সানসৌ চেম্পিয়নশিপ ২০২০ লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৭তগী ৯ ফাওবা মাঙ্গোলঙানবী কোলেজ নিংথৌখোংদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র কেটেগোরি হায়না খাইদোক্কুনা শান্নগনি। এন্ট্রি রেজিষ্ট্রেসন ফীনা লুপা ৬০০নি। অরূম্বনা ফেব্রুৱারী ৭কী অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা (সান্দা এথলেট) ওনগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী শান্নরোয়শিং অমসুং ওফিসলশিংগী ওইবা ফুদ্দিং অমসুং লোদিং ওর্গনাইজরনা পুথোক্কনি হায়রি।

নাওরেম রাজনিংথৌ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২০

# ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবাল অমসুং ৱাই য়ু সী সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দ, ওরিয়েন্টেল কোলেজ/মোদেল হায়র সেকেন্দরি শান্নবুংদা চথরিবা অনীশুবা এম এন সী এ য়ু-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবাল অমদি ৱাই য়ু সী সী মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেচ ওইনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি/ওরেন্টেল কোলেজগী শান্নবুঙদা ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবাল অমদি পি সী সী ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবী লম্বা তৌনখি মেচ অসি ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবালনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি।

অহানবা ইনিংসতা ৱাই দল্লীয়ু সীনা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩০ মায়োক্লবদা ৱিকেট ৩ তুদুনা রন ২১৬ লৌবা ঙমখি। হেরোজিৎনা রন ১৬, সেরাম রোবিন্সননা রন ৬৪, মনিকান্তনা রন ৬৬, বাসুনা রন ৩৬ লৌখিবা পনবা য়াই।

অহানবা ইনিংসতা পি সী সীনা বোল্লিং তৌবদা অজয়না ওভর ৬ লংবদা রন ৩২, অঞ্জননা ওভর ৪ লংবদা রন ৪৮, তেনিসননা ওভর ৬ লংবদা রন ৪৫, প্রবিননা ওভর ৪ লংবদা রন ৩০, লকিনা ওভর ৬ লংবদা রন ৩৯ লৌহনখি।

অনীশুবা ইনিংসতা পি সী সী ময়াইকোইবীনা ওভর ৩০ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৮ তুদুনা রন ৯৮ খক লৌবা ঙমখিবদগী ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবালগী মখুৎতা রন ১১৮তা চাওনা মায়থীবা পীখি। পি সী সী ময়াই কোইবীগী মায়কৈদগী ভিকাসনা রন ৩২, প্রবিননা রন ১২, তেন্নিসননা রন ১১ পনবা য়াই।

অনীশুবা ইনিংসতা ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবালনা বোল্লিং তৌখিবদা সেরাম রোবিন্সননা ৱিকেট ৩, মনিকান্তনা ৱিকেট ২, সৌবাম রোবিন্সন অমদি রিচরনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেচ ওইনা ট্রাও ক্বাকৈথেলদা অমসুং ৱাই য়ু সী সী ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকাই লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা ইনিংসতা ৱাই য়ু সী সীনা ওভর ৩০ মায়োক্লবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৭২ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা ট্রাও ক্বাকৈথেলনা ওভর ১৭কা বোল ২দা ওল আউট ওইদুনা রন ৫০খক লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অদু ৱাই য়ু সী সীনা রন ১২২দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

## ফুটসাল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

ইম্ফাল, জন্যুৱারী২৭ (ঐচএনএস): সয়াং শান্নবুংদা চথরিবা ৫শুবা নিরেস ৱাহেংবম ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কিং এফ সীনা আর এফ সী (বি) বু পাঞ্জল ১০-৩দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা সাইলেন্ট কিল্লর লাক্তবনা মরম ওইদুনা বি এফ সী (বি)না ৱাক ওভর ফংখ্রে।

## ও এন ৱাই সী ট্রোফি ২০২০

ইম্ফাল, জন্যুৱারী২৭ (ঐচএনএস): ও এন ৱাই সীনা শীন্দুনা ও এন ৱাই সী প্লেগ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোকপা ও এন ৱাই সী ট্রোফি ২০২০গী ওপনিং মেচতা সেক্তা (বি) না লমলাই এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা লমলাই এ সীগী এম এল এ ক্ষেত্রিময়ূম বিরেন, ভি দি সীগী প্রসিদেন্ট অমদি শওম্বুং জিলা পরিষদ আই রোবিচন্দ্রনা শরুক য়াখি।

## দ্বিজমনি, টালা গোল্ড লৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): মুম্বাইগী গোরাই বিচতা ঙসিদগী হৌদুনা চথরিবা অনীশুবা ইন্টরনেসনল বিচ কম্বেট গেমস ২০২০গী অহৌবা নুমিৎতা কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী শান্নরোয় দ্বিজমনি, ৱাই টালা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সেনিয়র মেন কেটেগোরিগী ফুল কন্টেক্টকী কেজি ৬০গীদা গুরুময়ূম দ্বিজমনি শর্মানা গোল্ড, কিক লাইটকী কেজি ৬৮দা লাইশ্রম কুবেরনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে। সেনিয়র ৱিমেন কেটেগোরিগী কিক লাইটকী কেজি ৬০দা য়াম্নেম টালা চনুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

## অহুমশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী২৭ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩শুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই দল্লিয়ু সী অমদি অল অমিন মায় পাকখ্রে।











**BUSINESS LOAN AVAILABLE**
**(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.**

1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agri & Horti items:- Fish Farmer, Mushroom Farmers, Vegetable Farmers, etc.
3. Pension Loan available:- 1%, 1.5%, 2%, 2.5% & 2.75%
4. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্বা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment, Rice Mill

N.B.:- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংগ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হান্না মপুং ফানা তৌদুনা লৈরীবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

**DOFSERA At LG MOTORS BUILDING (2nd FLOOR)**
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL
Mob : 8794748661/9383154085 Office Hour: 10:00 am - 04:00 pm.
HL-B/579/2nov. to 30 dec.


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com